থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# ঈশ্বর মশক তাক্লবা ৱাহৈ থিবা

'রঘুপতি রাঘব রাজা রাম/পতিত পাৱন সিতা রাম... ঈশ্বর অল্লাহ তেরো নাম/সবকো সন্মতি দে ভগৱান'... রামায়ন কৌবা হিন্দুশিংগী মহাকাব্য অদুগী প্রোতাগোনিস্তিক ক্যারেক্তর অনী (রাম অমসুং সীতা) অনীবু শৈথাদুনা ইবা ঈশৈ-শৈরেং (লিরিকল পোইম) অমনি। শৈরেং মপূম অদু ইথোকচররোই। অঙাং ওইরিঙৈদগী গান্ধী জয়ন্তি (গান্ধীগী মপোক কুমওন পালন) নুমীৎতদা তারকখিবা ঈশৈদু নীংশিংলকপা অমসুং শৈরেংসিদা য়াওরিবা ৱাহৈ অনীখক (ঈশ্বর অমসুং ভগৱান) সিগী ৱা খল্লুবদা ৱারেং অমা ইনীংবগী ইথিল ফাওরক্তুনা ইরিবনি।

অহানবদা ঈশৈ মতেক অসিগী ৱাহন্থোক হাইফেত্তং য়েংলুসি... 'রঘু শাগৈগী মবুংঙো, ইনিংথৌ ও শ্রীরাম/পাপিশিংবু শেংদোকপীবা, সীতা-রাম অনীনি... ঈশ্বরসু-অল্লাহসু নংগী মিংলেন ঙাক্তনি/ পূম্নমক্তা ফিদম-ৱাখল, য়েনবীরিবা ভগৱাননি'...। শ্রীরামগী মতীক-মগুন, অৱাংবা-ৱাখল শৈথাগে-ইজবা নত্তে ৱারেংসি। অরোয়বা নিংথৌ শ্রীরামবু শৈথাবা ঈশৈ-শৈরেং অসিদা ঈশ্বরসু-অল্লাহসু মাগী মিংখে ঙাক্তনিসু হায়রগা, অৱাংবা থাক্কী ফিদম-ৱাখল, পূম্নমক্তা য়েনবীবা 'ভগৱান'দুসু মহাক্কি হায়বগুম অমা য়াওরকপসিদা পূক্লিংসিদা য়ানিংদবা, চমম্নবা অমা পোল্লকপগুম তৌরকপনি। 'ঈশ্বর' অমসুং 'ভগৱান'- মান্নদবা ৱাহৈ অনীসি অমত্তনি হায়রকপসি, ৱারী লাইরিকশিংদগী ফংলকখিবা ইনফোর্মেসন (লৌশিং নত্তেকো, কোকসিদা তূংশিনখিবা ইনফোর্মেসনদুনি) অদুগা খরা-খজিক তায়ওন্নবগুম থোল্লকপদুদা ইথোক্তুনা শান্নজনীংলকপনি। পাউদমজ রিবা ঐহাকপু চামরক তাকপীবা ঙম্বা অপাবশিংনা পাউতাকপীরক্কনি খঞ্জদুনা। থাজৈ ঐ- শোয়দনসু তাকপীরক্কনি।

ঐখোয়গী ঈরোনসিদা 'লাই' হায়বা অমগা 'লাইগুম্বা' হায়বা অমগা, ৱাহৈ অনীখক্তি থেংনৈ, হীরমসিগা মরী লৈননা। ইংরাজি (ইংলিস) লোল'দসু 'গোদ' হায়ব'মগা 'লোর্দ' হায়ব'মগা শীজিন্নবা থেংনৈ। হিন্দী/ সংস্কৃত লোল'দদি 'ঈশ্বর', 'ভগৱান', দেবতা (দেবী), প্রভু, পরমাত্মা অসিনচিংবা ৱাহৈ কয়া লৈ। খঙ-হৈরবা গুরুশিংনা হায়রম্বা, ইদুনা থম্লম্বা লাইরিকশিংদই থেংনরকই... ঈশ্বর হায়বসিনা অমনি, ভগৱান হায়বসিনা পূমতোপ তোপ্পনি, অনী অসি মান্নদে। ঈশ্বর/লাই/ গোদ/অল্লাহ হায়বসিগী ৱাহন্থোক, ঐখোয়গী লোল'সিদা 'তাইবং শেম্বা মপূ'-ক্রিয়েটর ওফ দ য়ুনিভর্স-হায়বা তাবনি, লাল্লব্রা? ঐখোয় মীওইবনা, তাইবংসিদা লাক্তুনা, 'পোকপা-শিব'গী লেপ্প-লৈত'- ঊংলিবা 'চক্র'সিদা কয়ারক য়াওনমিন্নরুরগা, ৱাখল খনবা হৈরক্লবা মতুংদা-অতিয়াগী নুমীৎ, থা, থৱাম্মিচাক উরুবা, নাক-য়েৎ-মাঙ-তুং মীৎমাঙসিদা থোক্লিবা ঙক্ল-ঙক্লবা থৌদোকশিং থেংনরুবা, পাক্লবা ঈপাক, ৱাংলবা চীংজাও... তূমিৎ-কাঙ-শা-উচেক কয়া, পীকপদগী পীক্লবা, চাউবদগী চাউরবা... ফজবা মশক তাক্লবা, নুংশিবা লৈনম য়েন্নবা লৈরাংনা লৈশাৎ তম্লকপা, অরাম-খৌরাঙ কোকহনবা উহৈ-ৱাহৈ খঙলুঙৈ-ৱাখলসিদা খল্লকই 'পূম্নমকসিবু শেম্বীবা কনাগুম্বা (ক্রিয়েটর) অমা লৈরম্মি'... 'শেম্বীবা অমা য়াওদনা করিগুম্বা অমা ওইরক্লোই'...। অদুগুম্বা, লৈ-লৈতে খঙদবা, উবা সূপফং ফংলরোইদবা, শোকপা সূপঙম ঙম্লরোইদবা, মফম খূদিং, মতম খূদিং লৈ হায়বা ফীলিংদুতমক ফাওহনবা, শেম্বীবা (ক্রিয়েসন)গী থবক্তুদং নত্তনা য়ৈখায়-থুগায়-মাঙহনবগী থবক্তুসু তৌরিবা কনাগুম্বা/করিগুম্বা অদুনি 'ঈশ্বর'। 'ঈশ্বর'-মীওইবা কৌবা থৱায়-পানবা অসিগী ৱাখলদতা লৈবা, মতীক-মঙম (ইনর্জি/শক্তি) ওইনতা লৈগদবা পোৎশক অমনি-লৈ হায়না খল্লগসু, লৈতে হায়না লৌরগসু- ইচুমতা চুমদুনা লৈগদবা।

অদুগা, 'ভগৱান' কৌবা মহাক্তুদি মীৎমাঙদা তশেংনা লৈবা/ লৈরম্বা, মীৎনা উবা ফংগদবা, শোক্ল-শম্না য়াগদবা কনাগুম্বা অমনি-কনাগুম্বা অমদা পীবা মিংথোলনি মশা-মউ ফবা, মপাঙ্গল কনবা কনাগুম্বা অমবু 'পহলৱান' (পহল+ৱান) হায়না খঙনবগুম, অচুম্বা চৎপা অমকপা লৈতবা, অমোৎপা য়াওদবা, তশেং তশেংবা কনাগুম্বা অদুবু ভগ+ৱান/ভগৱান/ভগৱন হায়না মিঙ্গৌনবনি। পাঙ্গল কনবা (বল-লৈবা) মীবুসু বলৱান, ধন (মরল) লৈবা মীবুনা ধনৱান কৌনরিবদুনি। মী ওইনা পোক্লগা 'ভগৱান' কৌবা য়ারবা মখোয়দুনা চেনফম থোকপা গুন মখল তরুক্লি, লৌশিং লৈবা গুরুশিংনা হায়রম্মী... মরল লৈবা, মিংচৎ লৈবা, লৌশিং লৈবা, মৱা চৎপা (ইনফ্লুয়েন্স লৈবা), অচেৎপা ফিরেপ লৈবা অমসুং পূম্নমকপু থাদোকপা ঙম্বা থৌনা লৈবা...। ভগৱান কৃষ্ণ, ভগৱান শ্রীরাম, ভগৱান বুদ্ধ, ভগৱান মহাবীর... পনবা য়াবা খরনি। ইংরাজিদা 'ঈশ্বর'গী মহুৎ 'গোদ' হায়বসিনা ওইরবদি 'ভগৱান'গী মহুৎ-ৱাহৈ 'লোর্দ' হায়বসিনা ওইবতাই। লোর্দ কৃষ্ণ, লোর্দ বুদ্ধ, লোর্দ রাম হায়নরল্লিবা অদুননি। অদুবু 'লোর্দ জিসস'পুদি 'ভগৱান জিসস' হায়দনা 'প্রভু জিসু' হায়নরল্লিবা করিগী? অদুগা, ৱায়েনশঙগী 'ৱায়েন-মপু'দা 'মাই লোর্দ' হায়না মিঙ্গৌনরল্লিবসিনা করিদগী? খঙদবগী হঙ্গৎচবনি। পাউখুম পীগে হোৎনজরোই। বিশ্বমভর মিশ্রা (নিমাই) বু 'চৈতন্য মহাপ্রভু' মিঙ্গৌনরিদনা, ভগৱান চৈতন্যদি হায়নরমদে। মরম অমা লৈরিবনি।

ঈশ্বর অমসুং ভগৱান-অনী অসি নত্তবা, লাই ওইনা লাৎনবা 'দেবী'/'দেবতা' হায়বা অমগসু লৈরি। মসিদদি পা/পী খায়দবা 'লাই'গী মশক অদুদগী নুপা নৎত্রগা নুপী ওইবা 'মীওইব'গী মতৌ অদোমদা নকশিল্লক্লে। দেবতা হায়রগনা মেস্কুলিন জেন্দর, 'দেবী' হায়রগনা 'ফেমিনিন'। দেবী/দেবতাগী কন্সেপ্ট পুথোক্লকপা, লাই হায়বসিসু নুপা নুপীগী শকওং (লাইরেম্বা/লাইরেম্বী) লৈগদবনি খল্লকপা মতম অদুদদি মীওইবগী ৱাখল মপূম ফারক্লে, হেন্না মেচ্যুর ওইরক্লে। ক্রিয়েটিভ ইনর্জি মশক খঙলক্লে। লাইফ-ক্রিয়েসনগীদমক্তা 'মেল-ফিমেল তঙায়ফদবা ইনর্জি-সোর্স অনীনি।

দেবতা নৎত্রগা দেবী- ৱাহৈ অনী অসিগী হৌরকফম ওইরিবা 'দেব' হায়বা ৱাহৈসিনি। সংস্কৃত ৱাহৈ অসিগী ৱাহন্থোকতি- পীবা, খুদোল তৌবা হায়বনি করিগুম্বা লম/হীরম অমদা মমূৎ তানা খঙ'-হৈরবা, থোইদোক হেন্দোক্লা খঙ-হৈবা (মাস্তর) অমা ওইরবা, মশীং খঙদ্র' মীয়ামদা পীথোক-য়েন্থোকখ্রবসু ময়েং তাবা লৈররোইদবা মহাক্তুবু কৌই 'দেবী' নৎত্রগা 'দেবতা'। খুদম ওইনা, মহৈ-মশিন (লৌশিং)গী লাইরেম্বী-শরশ্বতি দেবী... ঈশিংগী দেবতা 'বরুন'... লন (সনা-লুপা-লন-থুম)গী মবেম্মা 'লক্ষ্মি-দেবী'... শক্তিগী লাইরেম্বী 'দুর্গা দেবী'... অশিবগী দেবতা-যমরাজ... অসিনচিংবা।

হিন্দুশিংনা করিগী ব্রহ্মা-বিষ্ণু-মহেশ্বর, শেম্বীবা-য়োকপীবা-মাঙহনবগী থৌদাং পাঙলিবা অহুমসিবু ভগৱান ওইনা শৈথারল্লিবা? ৱাহংসিগী পাউখুম, গুরু বন্দনা স্লোক'তুদা ফংগনি... গুরুর ব্রহ্মা, গুরুর বিষ্ণু/গুরুর দেব মহেশ্বর/গুরুর সাক্ষাত পর ব্রহ্মা/অস্মই শ্রী গুরৱে নমহ... শেম্বীবসু গুরুনি, য়োকপীবসু গুরুনি/পূম্নমকপু মাঙহন'ঙম্বসু গুরুনি/পূমথোই থোইবা, মহাকমক্লি গুরুদি/পুনেমজৈ ঐহাক্লা, গুরুদেব নফমদা...। ঈশ্বর, ভগৱান, দেব-দেবী-পরমেশ্বর... পূম্নমকপু খঙহনবীবা 'গুরু' (অমম্ববু মাঙহনবা) মহাকখক্তনি। অদুনা হায়নরম্বনি- 'ইমা-ইপা অনীদি মীৎনা উবা লাইনিদো'। ইমা-ইপাদগী হেনবা গুরু কনানো?



# মীরোল্লবী নুপীশিংনা

## তঙাইফদনা খজিনবদা কান্নরবা হকশেলগী ওইবা ৱারোলশিং



মমা ওইগদৌরবা, হায়বদি মশা ৱাই শংদ্রবা নুপী খুদিংমক উহৈ-ৱাহৈ মরাং কায়না চাবা মথৌ তাই হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙলে। মীরোনবী নুপীনা উহৈ-ৱাহৈ য়াম্না চারিবমখৈ পুক্লুংদা লৈরিবা অঙাং অদু আই ক্যু ৱাংবগী চাং হেল্লি হায়রি।

কেনাদাদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ ওলবর্টাগী পিয়ুশ মন্দেননা লুচিংদুনা চথখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, মীরোনবী নুপীশিংনা উহৈ চাবগী চাং ৱাংলিবমখৈ পুক্লুংদা লৈবা অঙাংগী ব্রেন ফবা হেল্লি হায়বগী খুদম ফংলে। অঙাংনা মমাগী সিয়োমনুংদা কুইনা লৈরিবমখৈ ফবা হেল্লি অমসুং মমাগী চাকচা-য়ুথক অমদি পুন্সি মহিংনা অঙাংদা অচৌবা চৈথেং অমা পী। নুমীৎ খুদিংগী মমানা উহৈ-ৱাহৈ চখোম অমা হেন্না চাবা তারবদি পুক্লুংদা লৈরিবা অঙাংদা য়াম্না চাউনা কান্নবা পী।

'ইবাইওমেদিসিন' জর্নেলদা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টতা মন্দেননা হায়খি, মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈরিবা মীওইশিংগী মওং-মতৌ কুপ্না য়েংশিনবদা মীরোনবী নুপীনা উহৈ-ৱাহৈ মরাং কায়না চাবদা কান্নে হায়বা খঙলকপনি। উহৈ চাবনা মশাদা কান্নবা ফংহনবখক নৎতনা পুক্লুংদা লৈরিবা অঙাংদসু হীরম কয়াদা কান্নবা পী।

অমরোমদা, দেনমার্ককী য়ুনিভর্সিটি ওফ কোপেনহেগেননা চথখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, নুংশিৎতা য়াওবা অমোৎপা পোল্যুটেন্টশিংনা মীরোনবী নুপীশিংদা চাউনা অকায়বা থোকহনবগা লোয়ননা পুক্লুংদা লৈরিবা অঙাং শিনবগী মরম ওইহল্লি।

ষ্টদিগী রিপোর্ট অমদা য়ুনিভর্সিটি ওফ কোপেনহেগেনগী মেরি পেদরসননা হায়খি, কুমজা ২০১৫ দা মালেমগী ওইনা নুংশিৎতা য়াওবা পোল্যুটেন্টশিংনা মরম ওইরদুনা অঙাং মিলিয়ন ২.৬ লোম শিনা পোল্লকখি।

অঙাং শিনা পোল্লকপগী থৌদোক অয়াম্বা মাঙজৌননা থিংলম্বা য়াবনি হায়না পল্লদুনা য়ুনিভর্সিটি ওফ কোপেনহেগেনগী মেরি পেদরসননা হায়খি। নুংশিৎতা য়াওবা পার্টিক্যুলেট মেটর (পি এম) গী চাং ৱাংখৎলক্লে। নুংশিৎ ক্যুবিক মিটর অমদা দাইমেটর ২.৫ দগী হেন্না পীকপা পার্টিক্যুলেট মেটর মাইক্রোগ্রাম ৪ হেন্না য়াওরকপা মরম্না পুক্লুংদা লৈবা অঙাং শিহনবগী চাং ৱাংখৎলকপনি।

মীরোনবী নুপীশিংনা লৌখৎকদবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মতাংদা অখঙ-অহৈশিংনা হায়খি, মীরোল্লিঙৈদা য়ু কয়া য়াম্না থকপা য়াবগে হায়বা কনামত্তনা খঙবা ঙমদ্রি। মীরোল্লিঙৈদা য়ু থকপা নুপীনা পোকপা অঙাংদি ফিটেল অলকোহোল সিন্দ্রোম (এফ এ এস) না মরম ওইরদুনা মমায় মমিৎকী ফীভম শোয়রকপা অমসুং মহৈ-মশিন তম্বদা অকায়বা থোরকপা য়াই। মরম অদুনা নুপী খুদিংমক মীরোল্লিঙৈদা য়ারিবমখৈ য়ু য়াওবা মহী অমসুং হীদাক-লাংথক অমত্তা শীজিন্নরোইদবনি হায়না নেসনল ইনষ্টিট্যুট ওফ অলকোহোল এব্যুজ এন্দ অলকোহোলিজমনা ফোঙদোকখি।

মীওইবনা শীজিন্নরিবা অচা-অথক্কী পোৎলম অয়াম্বদা কেফিন য়াওই। কেফিননা থা শুদবা অমসুং অরূম্বা শুদবা অঙাং পোকহনবা য়াবগী রিস্ক হেনগৎহনবা মরম্না য়ারিবমখৈ মীরোনবীশিংনা কেফিন য়াওবা পোৎলম অমত্তা শীজিন্নরোইদবনি। কোক চীকপা, লোক থুংবা অমদি এলর্জিগী হীদাক লাংথকশিং, চা, কোফি, সোফ্‌ট ড্রিঙ্ক অমসুং চোকোলেটতা কেফিন মরাং কয়ানা য়াওই।

মৈখু শীজিন্নবনা হকচাংদা অকায়বা কয়ামরুম থোকহল্লি হায়বসি পূম্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। অদুবু মীরোনবী নুপীশিংনা মৈখু শীজিন্নবা তারবদি মশা মথন্তা অকায়বা থোকহনবদগী হেন্দোক্তুনা পুক্লুংদা লৈরিবা অঙাংদসু অকায়বা থোকহল্লি। অতৈ অতোপ্পা মতমদগী মীরোল্লিঙৈ মনুংদনা অমুক্কা হেন্না চেকশিনবা মথৌ তাই।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# সী এমনা কৈরাও এ সীগী মীয়ামদা লাউথোক্লম্বদু থবক ওইনা ওন্থোকউ : ৱাই রোমিও



ইম্ফাল, মার্চ ২৪ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হন্দক পাঙথোকখিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লী মীখলগী মাঙওইননা কৈরাও এ সীগী মীয়ামদা লাউথোক্লম্বা থাজবা অদু থবক ওইনা পাঙথোকউ হায়না সলাইচা পিবারেল পুন্সি মরুপকী ৱাঙাংলোয় য়েন্সেবম রোমিওনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ক্যামগৈদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা রোমিওনা মখা তানা হায়, মণিপুরগী সী এম নোংথোম্বম বিরেননা মীয়াম মমাঙদা কৈরাও এ সীগী বি জে পিগী মীরেপ ওইরিবা লৌরেম্বম রামেশ্বরবু হন্দক্কী অনীরকশুবা টর্ম অসিদা মহাকপু অমুক হন্না থাগৎপীরকউ অমদি পার্সেন্টেজ ৱাংনা থাগৎপীরকউ। করিগুম্বা মহাক্লা পার্সেন্টেজ ৱাংনা থাগৎলক্লবদি মহাক শুংশোয় শোয়দনা কেবিনেট মিনিষ্টর অমা পীগনি হায়না মীয়ামদা লাউথোক্লম্বা অদু থবক ওইনা পাঙথোকপীরক্কনি হায়না থাজবা থল্লি। লৌরেম্বম রামেশ্বর মীয়ামগী থবক থৌরম অমদি তোল্ল-তারবা লোয়ননা অৱা-অনা তারবা মীওইশিংদা অঙম্বা মতেং পাংদুনা লাক্লি। হৌখিবা কোভিদ-১৯গী মতমদসু মীয়ামগীদমক অচৌবা শক্লোন অমা লৌদুনা লাকপনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মঙোন্দা এৱার্দ পীরকপসু লৈখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা কৈরাও এ সীগী মীয়ামদা থম্লম্বা থাজবা মাঙহনবীগনু। করিগুম্বা মণিপুর লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা মীয়ামদা থম্লম্বা থাজবা অদু মাঙহনবীরগদি লাক্কদৌরিবা ২০২৪দা পাঙথোক্কদৌরিবা এম পি ইলেক্সনদা কৈরাও এ সীগী মীয়াম্না বি জে পিগী লৈঙাক অসি থাজরক্তবা য়াই। মরম অদুনা সলাইচা পিবারেল পুন্সি লূপনা বি জে পিবু নোল্লুকচবগা লোয়ননা লৌরেম্বম রামেশ্বরবু কেবিনেট মিনিষ্টর অমা ওইহনবীয়ু হায়খি।

পাউগী মীফম অদুদা ৱাহেংবম প্রেমানন্দনা হায়খি, সলাইচা পিবারেল পুন্সি লূপ অসি মণিপুরদা লৈত-লায়রশিংগী মতেং পাংবা অমদি মণিপুরদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক চাবদগী তুংগী য়ুম্বীরেল ওইগদৌরিবশিং মুৎশিল্লক্লিবা অসিবু কন্নবগীদমক এম এল এ রামেশ্বরনা লূপ অসি পুথোকচবনি। মসিদা মখোয়না করি মরমগীদমক অচৌবা থৌদাং লৌরিবনো হায়বদা মমাঙগী ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লী মীখলদসু বি জে পিগীদমক মহাক কখোক্তুনা লাকখি। লোয়ননা মখা তানা ১২শুবা হন্দক্কী মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লী মীখলদসু লূপ অসিনা কন্না হোৎনদুনা মহাক মায় পাক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখি। মসিদা বি জে পিগী লুচিংবশিংনা মীয়ামদা থম্বীখিবা থাজবা অদুদি মাঙহনবীগনু। মহাক্কা চান্নবা মিনিষ্টর অমদি পীবীয়ু হায়খি।

মহাক্কা মখা তানা হায়, হৌজিক কৈরাও এ সী অসি হীরম কয়াদা শোত্থদুনা লাক্লি। মসি মমাঙদা লিশাং শিৎনা মিনিষ্টর অমত্তা ওইরমদবনা অৱাবসি মীয়াম্না মায়োক্লবনি। এ সী অসিদা তোঙান তোঙানবা ফুরুপ তরুক খুন্দাদুনা লৈরি। লূপ অসিনা লমদম অসিগী ময়াই কাবা চীঙ্গাক মরু ফংনা মুত্থৎনবা হোৎনবগা লোয়ননা তোল্ল-তারবা অমদি লৈত-লায়রবশিংদসু অঙম্বা মতেং পাংদুনা থোং মান্ননা হিংনবা হোৎনরি। করিগুম্বা এম এল এ রামেশ্বরনা কেবিনেট মিনিষ্টর ওইরগদি শোয়দনা এ সী অসিগী অৱাৎ-অপাসু মেনখৎনবা ঙমগনি হায়খি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৫।০৩।২০২২ইং, ইরাই;
লমতাগী ২৩ নি পানবা।

মেষ: থৌনা ফবনা থবক পাঙবা, হকচাং খিঙবা অমদি পাঙ্গল ফুদোকপা য়াবা নুমিৎনি। লল্লোন ইতিক্তা মীপায়বা পোকপা, হন্থবা লোয়নবনা মাঙবা য়াবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংবা ৱাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

বৃষ: অরিবা থবক্তা অমদি নথক থোংবগা লৈনবা মরীদা য়েৎনবা খরা লৈরসু মতাং চানা থৌনা ফুদোকপনা মায় পাকচগনি। ইমুং মনুংগী ৱানা খ্বাইদগী হেন্না ফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

মিথুন: লাইবক ফবা, ৱাখল থোকপা, অনৌবা থবক পাঙবা য়াবা অমদি অরাপ্পদগী কান্নবা ফংজবা য়াবা নুমিৎনি। লানবু লান্দ্রদি অঙম্বনা থোইনা চানবীগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কর্কট: শেন্দোং তানবদা থোইনা কান্নগনি, অনীংবা অফবা থবক পাঙহৌবা য়ারগনি-মতম মাঙহল্লগনু। মরুপ শাবনা য়েংথিবা অমদি য়াকা য়েংনা চৎত্রদি মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ

সিংহ: ঙসিসু মরুপ মপাং লোয়নবা, লাই-গুরুগী ৱা তাবা অমদি মতাং চানা থৌনা ফুদোকপনা য়াম্না চাওখৎকদবা নুমিৎনি। চোপ্পা য়াবা লৈরম্বসু ফরগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম মাঙবনা হেনগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

কন্যা: লৌশিং ফুদোকপা ৱাবা, য়েৎনবনা মাঙজবা, হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা অমদি অরং-অরাক চেকশিনগদবা নুমিৎনি। খাঙবা কল্লু, অনিরক খন্থৌ-য়াইফগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

তুলা: লৌশিং চাওগনি, শেল চঙগনি, য়েৎনরম্বা লৈরসু ৱাখল তামিন্নবা য়াগনি, মীয়াম পুনবৈ নুংঙাইজবসু লৈগনি। মীৱাদংদি লৌগনু- ইমুংদা লান্না খন্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

বৃশ্চিক: মীয়ামগী মতেং ফংবা অমদি ইমুং-মনুং ৱাতান্নবনা হেন্না কান্নবা ফংবা নুমিৎনি। অনম তান্নবনা নচা-ননাই ময়েং তাগনি, নাইতোম ৱারেপ লৌবা লুই।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরীদি ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

ধনু: ৱাখল নুংঙাইবা, মীচঙ হেনগৎপা অমদি অনীংবা থবক পাঙবা য়াবা খুদোংচাবা লাক্লনি। তুংগী পোরমসু শীনবা য়ারনি। অশাওবনদি মাঙজবনি-তপথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

মকর: অচুম্বা অমদি অফবা ৱাখল্লোন্না নচাক নরল চাওখৎকদবা নুমিৎনি-অচুম্বনা উপায় ওইয়ু। য়েৎনবনা মাঙবা, মীতোপ্পা মরুপ মপাং কায়নহনবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

কুম্ভ: ওইজ-ওইথক য়াম্না ফংগনি, নীংজবদুমক থুংউ হায়বসু লৈ, য়েক্লববু লায়না লাকশিনবা ঙমগনি। নাপল অমদি ঈরাং পুবনদি মাঙজবা লৈগনি-কাওগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- পাউ নুংঙাইবা তাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

মিন: অনীংবা থবক পাঙগনি অমদি কান্নবা শোয়দনা ফংগনি। অঙম্বনা শোয়দনা চানবীগনি-থৌনা ফুদোকপা মতাং চারগনি, শেল-থুমগী লমদসু মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

মমি ৱারী

# থৱান



মতম, পুন্সি অমসুং হকচাংসি কয়ামনা কুইনা পুদুনা চৎকনি মরুপ। ঐখোয়না লেপ্তনা চৎলিবা, চেল্লিবা, তান্নরিবা করিগীনো ?